IRON & FRYING PAN FREE
22" LED TV
170LT REFRIG:
6KG W/MACHINE
₹ 26500
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
NAMBOL. KAKCHING. THOUBAL.
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.

পোক্নফম

DVD / HD TATASKY / REFRI: STAB. FREE
29" LED TV
7.2KG W/MACHINE
190LT REFRIG:
₹ 35200
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
THOUBAL VIP. KAKCHING JOLLY. NAMBOL PS.
KHOYATHONG OPP ANAND HOTEL. PANA. CHINGTAM.

ঐখোয় অপুনবগী পাঙ্গলনি, ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাকমিন্নসি হায়দুনা মফম কয়াদা চৎখিবা মৈরাগী রেল্লি

জেনিমস স্তুদেন্তস এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ঈ দান তৌবগী থৌরমদা ঈ পীবা

চীফ মিনিস্তর ও ইবোবীনা ব্রাইখোম মনি গার্লস কলেজগী ইন্দোর স্তেদিয়ম রিবন কক্নুনা শঙ্গাবা

Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol.38 No. 285 | 12 Pages IMPHAL, SATURDAY, NOVEMBER 30, 2013 হিয়াঙ্গৈগী ২৭ নি পানবা, থাংজ www.poknapham.in ₹ 4.50

চীফ মিনিস্তরনা প্রিসাইদ তৌদুনা এম এল এশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ওল্ড এসেমব্লি কমপ্লেক্সতা পাসপোর্ত ওফিস অমসুং এফ সি আই রিজনেল ওফিস থমগদৌরি

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ ভারত সরকারগী য়ুনিয়ন হোম মিনিস্ত্রিনা স্তেত অসিদা রিজনেল পাসপোর্ত ওফিস হাংনবগী মফম অথুবা মতমদা পীরক্নবা খঙহল্লকপা অমসুং য়ুনিয়ন কঞ্জ্যুমর এফিয়র্স এন্দ ফুদ মিনিস্ত্রিনা স্তেত অসিদা ফুদ কোর্পোরেসন ওব ইন্দিয়া (এফ সি আই) গী রিজনেল ওফিস হাংনবা মফম পীনবা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিস্তর, ও ইবোবীনা প্রিসাইদ তৌদুনা সি এম সেক্রেতরিএত্তা এম এল এ ৬০ মক্কী ওইবা মীফম অমা কৌদুনা খন্নখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না, ঙসিগী মীফম অদুদা ওল্ড এসেমব্লি বিল্ডিংদা মতম খরগী ওইনা রিজনেল পাসপোর্ত ওফিস অমসুং এফ সি আইগী রিজনেল ওফিস হাংনবা ৱাফম খন্নখি। লোয়ননা এম এল এশিংগী তোঙান তোঙানবা মত তারবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা মফম অসিদা রিজনেল ওফিস অসি থম্বা হায়না য়ানখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, স্তেত অসিগী মীয়াম্না পাসপোর্ত লৌনবগীদমক গুৱাহাতিদা চৎপদা মতম কয়া মাঙবদা নত্তনা শেল কয়াসু চঙহল্লি। হৌজিক ইম্ফাল তুলিহল এয়ারপোর্ত অসি ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্ত ওইরকপগা লোয়ননা মপান লৈবাকশিংদা চৎনিংবা স্তেত অসিগী মীওইশিংনা পাসপোর্ত ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মসিগী মতাঙদা স্তেত সরকারনা কেন্দ্র সরকারদা মতম কয়াদগী স্তেত অসিদা রিজনেল পাসপোর্ত ওফিস অমা হাংবিনবা তক্নদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা স্তেত সরকারগী ৱাফম অদু কেন্দ্র সরকারনা তাবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা পাসপোর্ত ওফিস অসি হাংদোকপা য়ানবা মফম পীনবা স্তেত সরকারদা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

রিজনেল পাসপোর্ত ওফিস অসি হাংবদা দরকার ওইরকপা ওফিসিএলশিং শীজিন্নবা য়ানবা স্তেত সরকারনা ওফিসর কয়া মাঙজৌনন্না ত্রেনীং পীবসু লৈখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, দিমাপুরদা এফ সি আই রিজনেল ওফিস লৈবনা স্তেত অসিনা থেংখাঙ কয়াদা চেঙ-চাক্কী অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। হায়রিবা খূদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা স্তেত অসিদা এফ সি আইগী রিজনেল ওফিস অমা অথুবা মতমদা হাংদোকপীয়ু হায়না স্তেত সরকারনা হন্দক ইম্ফালদা লাক্নম্বা য়ুনিয়ন কঞ্জ্যুমর

মখা লামায় ৫, কলম ৫ দা

দিস্তর্ব এরিয়া স্তেতস চহী অমগা শাংদোকপদা অয়াবা পীখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ ঙসি নুংথিল ফমখিবা কেবিনেতকী মীফম অমনা মণিপুরদা হান্নদগী চৎনদুনা লাকপা দিস্তর্ব এরিয়া স্তেতস চহী অমগা শাংদোকপদা অয়াবা পীখ্রে।

চীফ মিনিস্তর, ও ইবোবীনা চেয়ার লৌদুনা ফমখিবা কেবিনেত মীফম অদুগী মতাঙদা সরকারগী স্পোক্সপার্সন ওইরিবা মিনিস্তর ওকেন্দ্রোনা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পাউমীশিংদা হায়খি, মণিপুরদা লালহৌবা লৈবা অমসুং মখোয়না চত্থরকপা হিংশাগী থবকশিং অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা দিকেদ অনীরোমসি দিস্তর্ব এরিয়ানি হায়না লাউথোক্নুনা শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনদুনা লাকপসিগী মখা তাবা ওইনা হয়েং লোইরবা দিস্তর্ব এরিয়াগী স্তেতস অসি চহী অমগা অমুক হন্না শাংদোক্নবা কেবিনেতনা ৱারেপ লৌখি।

তুং কোইনা মশক নাইনা লৈহৌরগদবা ৱারেপ অমা ওইনা ঙসিগী কেবিনেত মীফম্না, মণিপুরদা পাসপোর্ত ওফিস অমা লৈহনবা হায়বা প্রজা মীয়ামগী অপাম্বা অদু য়েংদুনা স্তেত অসিদা তেম্পোরেরি রিজনেল পাসপোর্ত ওফিস অমা হাংনবা ফীরেপ লৌখি হায়না মিনিস্তর ওকেন্দ্রোনা পাউমীশিংদা হায়খি।

পাসপোর্ত ওফিস অসি ভারত সরকারগী মিনিস্ত্রি ওব এক্সতর্নেল এফিয়র্সতগী অয়াবা লৌরগা হাংদোক্নদবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না, তুলিহল এয়রপোর্তপু ইন্তনেরনেসনেল এয়রপোর্ত ওইনা লাউথোকখিবা ইকান কান্নদনা হংগদৌরিবা তেম্পোরেরি রিজনেল পাসপোর্ত ওফিস অসি ওল্ড এসেমব্লি সেক্রেতরিএততা থমগনি হায়রি।

সরকারগী স্পোক্সপার্সন অসিনা মখা তানা হায়খি, ঙসিগী কেবিনেত

মখা লামায় ৫, কলম ২ দা

ব্রাইখোম মণি গার্লস কলেজগী ইন্দোর স্তেদিয়ম শঙ্গাখ্রে

এদজুকেসন, হেল্থ অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী সেক্তরদা সরকারনা মপূং ওইবা মীৎয়েং থম্লিঃ চীফ মিনিস্তর

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ ব্রাইখোম মণি গার্লস কলেজ থৌবাল ওক্রমগী নৌনা শাবা ইন্দোর স্তেদিয়ম ঙসি চীফ মিনিস্তর ওক্রম ইবোবীনা চীফ গেস্ত ওইদুনা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাখ্রে।

য়ু জি সি গী ১১ প্লান ২০১২ গী মখাদা শাবা ইন্দোর স্তেদিয়ম অদু শঙ্গাবগী থৌরমদা এদজুকেসন অমসুং কঞ্জ্যুমর এফিয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসনগী মিনিস্তর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রো সিংহনা প্রসিদেন্ত ওইখি। লোয়ননা মণিপুর সরকারগী মরী লৈনবা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিস্তরনা হায়খি, সরকার অসিনা এদজুকেসন, হেল্থ অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী সেক্তরদা মপূং ওইবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎলি। মসিদা অতৈশিংবু মীরায়বগী ৱাফমদি নত্তে।

ব্রাইখোম মণি গার্লস কলেজ অসি থৌবাল দিস্ত্রিক্তকী ওইনা নুপীশিংগী ওইবা অমত্তা ঙাইরবা কলেজনি। অদুনা কলেজ অসিদা মপূং ওইবা মীৎয়েং থম্নিংবনি। অদুবু মসিখক্তা খন্নবা য়াদে। মরমদি মণিপুরগী অরাপ অরাপ্পা মফম কয়া, চীংদা মসিদগী হেন্না অৱাবা খাঙদুনা লাক্নবা কয়ামসু লৈরি। অদুনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদবা য়াদে হায়নসু চীফ মিনিস্তরনা হায়খি।

রাইত তু এদজুকেসন (আর তি ই) অসি মণিপুর সরকারনসু মপূং ফানা পায়খৎনবা হোৎনরিবনি। রুসা (রাস্ত্রিয় উচ্চতর শিক্ষা অভিয়ান) স্তেত অসিদা থবক ওইনা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা স্তেত গবর্নমেন্তনা পুথোক্কদবা শরুক অদু পুথোক্নবা শেম শাদুনা লৈরে। করিগুম্বা রুসানা খরা থেংথবা তারবসু এদেদ কলেজশিংদা মরুওইনা নুপীমচাশিংগী কলেজশিংদা অঙম্বা মতেঙ পাংনবা স্তেত গবর্নমেন্তনা হোৎনগনি হায়না চীফ মিনিস্তরনা হায়খি।

চীফ মিনিস্তরনা মখা তানা হায়খি, লাইরিক হৈরগা থবক ফংদ্রিবশিংগীদমক করি তৌগদগে হায়বসু য়াম্না কন্না খল্লিবনি। ৱাফম অসি হন্দক্তা নবেম্বর ২২ দগী ২৪ ফাওবা আসামগী দিব্রুগরদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইস্ত বিজিনেস সমিত্তা ঐহাক্না পুথোকখ্রে।

ঙসি শঙ্গারিবা ইন্দোর স্তেদিয়ম অসিনা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বা/পাবগী অহাঙবা মতমদা শান্ন খোৎনবগী খূদোংচাবা ফংদুনা মশা মউ ফনা লৈবদা মতেঙ ওইরগনি হায়নসু চীফ মিনিস্তরনা হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা মিনিস্তর ওকেন্দ্রোনা হায়খি, মণিপুরগী চীফ মিনিস্তরগী ৱাখলদা য়ূমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মাগা অফবা মরী লৈননবা অমসুং লুক ইস্ত পোলিসিগা মরী লৈননা লল্লোন ইতিক তৌনবগী মথক্তা এদজুকেসন অমসুং হেল্থ তুরিজম হায়বা সেক্তরশিং হাপচিন্দুনা এদজুকেসন তুরিজম চাওখৎনবা হোৎনবদা এদজুকেসন দিপার্তমেন্ততা পীরকপা য়াথংগী মতুংইন্না মোরেদা গবর্নমেন্ত পোলিতেক্নিক অমা হাংদুনা ম্যান্মা মচাশিংবু অৱাংবা থাক্কী এদজুকেসন পীনবা থৌরাং তৌরি।

এদজুকেসন মিনিস্তরনা হায়খি, ব্রাইখোম মণি গার্লস কলেজ অসি সরকারগী মপূং ফাবা কলেজ অমা ওইরকখিগনি হায়না মঙজরিবা মঙলান অসি নোংমদি মঙফাওনরগনি। কলেজ অসিদা শেমগৎ শাগৎলিবা, মহৈরোয়শিংগী মশীং অমসুং ওঝাশিংগী পূকচেল শেংবা কয়াসি উবদা নুংঙাইবা পোকই।

মিনিস্তর ওকেন্না মখা তানা হায়খি, ঐখোয়না মতম কুইনা মঙজরকপা মঙলান অমা মঙফাওনবা ওইনা

মখা লামায় ৫, কলম ৭ তা

অহানবা কলম

ফোতোদা মকোক ওইবদা বুল্লু য়াওরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ মণিপুর সঙাই ফেস্তিবেল ২০১৩ গী শরুক অমা ওইনা চথখিবা ফোতোগ্রাফি কম্পিতিসন্দা 'নেচর ইনক্লুদিং লেন্সস্কেপ ওব মণিপুর' হায়বা থিমদা পোক্নফম পাউ-চেগী স্তাফ রিপোর্তর আর কে বুল্লু সিংহনা অহানবা তারে।

কেতেগোরি অসিদা এল সন্তোস কুমার সিংহনা অনীশুবা অমদি এম সুভাস অমসুং এ জয়ানন্দ সিংহনা অহুমশুবা তাখ্রে।

'সিগনিফিকেন্ত তুরিস্ত স্পোতস/দেস্তিনেসন ওব মণিপুর' থিমদনা এল ভুসন সিংহ, এম বিশ্বরজিৎ সিংহ অমদি এম রঞ্জিৎ সিংহনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রে।

মখা লামায় ৫, কলম ৫ দা

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ জেনিমস স্তুদেন্তস এসোসিএসন্না শীন্দুনা 'দোনেত ব্লদ এন্দ সেব লাইব' হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা ভলুন্তরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি ইনস্তিত্যুত অসিগী ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু হৌদোক্লদুনা জেনিমসকী দিরেক্তর, প্রোফেসর এম শামোনা হায়, জেনিমসকী মহৈরোয়শিংনা শীন্দুনা ঈ পীবগী থৌরম পাঙথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ঈ পীবগী থৌরম অসি জেনিমসকী কেলেন্দর ওইহল্লগনি।

থৌরম অদুদা ব্লদ বেঙ্ক, জেনিমসকী মেদিকেল ওফিসর ইন চার্জ, দাঃ কে সুরজিৎনা হায়খি, স্তেত অসিদা ভলুন্তরি ব্লদ দোন্নর মশীং য়াম্না য়ামদনা লৈরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্ত, প্রোফেসর দব্লিউ গোপিমোহোন অমসুং জেনিমসকী হান্নগী দিরেক্তর, প্রোফেসর এল চন্দ্রমণিসু শরুক য়াখি। মীওই ৫০ রোম্না কেম্প অদুদা ঈ পীখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

গ্যাস লামায় ৫ দা

[illegible]



হৈমা! ফি-রোলদা নত্তনা ক্লাসু য়োল্লিরো? অমত্তা চাগে!
[illegible]
SANGAI H
STALL
ইবেম্মা, মসি য়াওদ্রদি Due চৎপা তারে হায়দনা তৌরিনি!!
Sagheemangle 13
[illegible] Due [illegible]!!

সেনিয়ারিতিগী মতুংইন্না সয়িদ অহমদনা দি জি পি ওইগনি হায়না থাজৈঃ গাইখাঙম

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ মণিপুরগী দি জি পি, এম কে দাসকী মতম হয়েং নবেম্বর তাং ৩০ দা লোইবগা লোয়ননা মথংগী দি জি পি অসি সেনিয়ারিতিগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসনগী মেনেজিং দিরেক্তর ওইরিবা এ দি জি পি, সয়িদ অহমদনা ওইবা য়াই হায়না হোম মিনিস্তরগী থবকসু পুরিবা দিপুতি চীফ মিনিস্তর গাইখাঙম্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীংমৈরোংদা চর্চ শঙ্গাবগী থৌরম অমা য়াওবা লাকপদা হোমগী থবকসু পুরিবা দিপুতি চীফ মিনিস্তরনা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হায়খি, মপান্দগী লৌরগা দি জি পি হাপ্পগী ৱাফম লৈতে। ঈশ্বরনা য়াবীরবদি মণিপুর-ত্রিপুরা আই পি এস কেদরদা খ্বাইদগী সেনিয়র ওইরিবা সয়িদ অহমদনা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুবু হৌজিকমক্কীদি লাউথোক্ত্রিবনা ৱাফম অসি চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি।

হয়েং মণিপুরগী দি জি পি, এম কে দাসপু মণিপুর সরকারনা ফেয়রৱেল পীনবা থৌরাং তৌরম্বা অদু মণিপুর সঙাই ফেস্তিবেলগী লোইশিনবা নুমিৎ ওইবনা দিসেম্বর ১ দা য়ৈথোকখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দ্রগকী কারবারদা সেক্যুরিতিগী মীওইশিং চেন্নবগী মতাঙদা হংবদা দিপুতি চীফ মিনিস্তরনা হায়খি, দ্রগ কারবারগা মরী লৈননা ফাবা মী অমত্তা লেম্না থারোই। ওফিসর ওইরবসু, সেক্যুরিতি ওইরবসু আইনগী মতুংইন্না চপ চাবা দন্দী পীগনি। মসিগীদমক দরকার লৈবা প্রোসিদিং লৌখৎপসু হৌখ্রে।

অমরোমদা, ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা গাড়ীশিং লূত-পাৎ তৌবগী থৌওং কয়া চত্থরিবা অসিগী মতাঙদা মণিপুর সরকারনা করি থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়না হংবদা দিপুতি চীফ মিনিস্তরনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাঙদা সেক্যুরিতিগী ওইবা থবক থৌরমশিং হেন্না কন্না য়েংশিন্নবগী-দমক মরী লৈনবশিংদা শিন্নখ্রে। মসিগী মথক্তা য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দ সরকারগসু পাউ ফাওনদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নরি।

এম কে দাসকী সেরিমোনিএল পেরদ শীনগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ হয়েং থবক্তগী পোত্থারগদবা দি জি পি মণিপুর ম্রিনাল কান্তি দাস (এম কে দাস), আই পি এসকীদমক মণিপুর পুলিস দিপার্তমেন্তনা হয়েং সেরিমোনিএল পেরদ অমা শীনগদৌরি।

ফোর্মেল সেরিমোনিএল পেরদ অসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরদ গ্রাউন্দদা অয়ুক পূং ৯ দা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা স্তেত হোম দিপার্তমেন্তকী ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা এ দি জি পিদগীনা এস পি অমসুং সি ও ফাওবগী রেঙ্ককী ওফিসরশিংনা শরুক য়াগনি। লোয়ননা নুমিৎয়ুংবদা ফেয়রৱেল লঞ্চ অমসু অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কেত হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ক্রিমিনেল কোর্ত অমসুং অফস্পাগী মতাঙদা খন্নখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ ইন্তরনেসনেল ফোর্তনাইত ওন ভাইওলেন্স অগেন্স ৱিমেনগা মরী লৈননা ৱাদ, সি এস দি, য়ু এন এন -এম, এন এল এফ, পি পি এস অমসুং সি ও দব্লিউ এফনা শীন্দুনা 'য়ুনাইতেদ নেসন্স মেন্দেত ওন ইন্তরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ত এন্দ অফস্পা, ১৯৫৮' হায়বসিদা খন্ন-নৈনবা অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা ৱাদকী সেক্রেতরি সোবিতানা হায়, মতম শাংনা অফস্পা থমজিনবনা লমদম অসিগী নুপীশিংদা অৱাবা কয়ামরুম মায়োক্নহল্লি। অফস্পাগী মরুমদা হাৎখিবদগী মপুরোইবা কাইনরবা নুপী লীশীং কয়া লমদম অসিদা লৈরি। নুপীশিংনা নংলিবা চৈথেং অসি করিগুম্বা পোৎশক অমতনা কম্পেন্সেত তৌবা ঙম্লোই।

মখা লামায় ৫, কলম ৭ তা

সস্পেন্দ তৌদ্রগদি চেঙ চিংবা লেপ্লগনিঃ রঞ্জিৎ

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ জিরিবামদগী চেঙ পুদুনা থোক্লকপা ত্রক অমা চিংনৈ হায়দুনা লোৎশিন্দুনা থমখিবা ইম্ফাল ইস্তকী নার্কোতিক সেলগী এস আই, নীলমণি সস্পেন্দ তৌদ্রবদি ত্রকশিংনা জিরিবামদগী চেঙ চিংবা লেপ্লগনি হায়না তি দি সি (ত্রান্সপোর্তরস এন্দ দ্রাইভর্স কাউন্সিল) গী প্রসিদেন্ত, ঐচ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কংলা পার্কতা লৈবা তি দি সিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ঐচ রঞ্জিৎনা হায়খি, থা অসিগী ২৩ দা ইম্ফালদগী সেক্যুরিতি কনভোই পুদুনা চৎখিবা ত্রক (নম্বর এম এন ০১/৮৯৯৮) অদু ঙরাং তাং ২৮ দা চেঙগা লোয়ননা সেক্যুরিতিগী মীওইশিং পুদুনা ইম্ফাল য়ৌরকখি। সঙাকফমদা সেক্যুরিতিগী মীওইশিং অদু হেক থাদবগা সিবিল দ্রেস শেৎপা মীওই খরনা ত্রক অদু হায়জেক্ত তৌদুনা পুখ্রে হায়বা পাউ ফংখি। মদুদা তি দি সিগী মীওইশিংনা খূদক্তা থিবগা লোয়ননা এ দি জি পি, পচাওদা রিপোর্ত তৌখি। দ্রাইভর অদুনা পায়খিবা মোবাইল ফোন অদুদা পাউ ফাওননবা হোৎনবদা ত্রক অদুবু ফাদুনা পুরিবা মীওইশিং অদুনা ধমকা তৌরকপগা লোয়ননা ফোন স্বিতচ ওব তৌশিনখি।

তি দি সিনা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈব্রা হায়না পূং অমগা মখায়রোম কোয়না থিবদা ত্রক অদু পোরোম্পাৎ সার্বিস ওইল পম্পকী কাচিন অমদা থৌজিন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি। তাঞ্জা অদুদা তি দি সিগী তিম্না পোরোম্পাৎ পুলিসতা চত্তুনা হংবদা নার্কোতিক সেলনা নিশাগী পোৎলম পুরমগদ্রা হায়দুনা চিংনবা লৈবদগী ফাবনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়না ঐচ রঞ্জিৎনা হায়খি।

ঐচ রঞ্জিৎনা হায়খি, পুলিসনা চিংনৈ হায়দুনা গাড়ী অমা ফারগা পুলিস স্তেসন্দা থৌজিনবগী মহুত্তা লম্বীগী কাচিন অমদা থৈজিন্দুনা থম্বা অসি হায়জেক্ত তৌবনি।

সেক্যুরিতি তোংলক্লিবা গাড়ী অদু চিংনরে হায়রবদি করিগী খূদক্তা সেক্যুরিতি য়াওরিঙৈদা চেক তৌদ্রিবনো, গাড়ী অমবু চিংনৈ হায়দুনা

মখা লামায় ৫, কলম ৫ দা

এন ই সিগী ওফিসিএল অনী থুংলরে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ স্তেত তুরিজম দিপার্তমেন্তনা শীন্দুনা হৌখিবা তাং ২১ দগী হপ্তা কাংজৈবুংদা চত্থরক্লিবা সঙাই ফেস্তিবেল ২০১৩ দা সরকারনা শীজিন্নখিবা অমদি ইনকম ওইনা লাকখিবা শেনফম য়েংশিন্নবা নোর্থ ইস্তর্ন কাউন্সিল (এন ই সি)গী ওফিসিএল অনী ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

ওফিসিএল অনী অদুদি জে লুংদিম (ফাইনান্সিএল এদভাইজর) অমসুং গৌতম চিনলে (এদভাইজর বি আই তি) নি হায়রি।

মখা লামায় ৫, কলম ৫ দা

[illegible]

- মহোয় দ্রগ কারবার তৌরম্বা পোষাক শেৎপশিংদু কমদৌনি হায়
- শীজিন্ননি হায়
- কমাইনা
- দ্রগ কারবারগা মরী লৈননা ফাবা পোষাক শেৎপশিংগী বাতালিয়ন অমা লিংখৎলগা
- অদুগী বাতালিয়নদুদি মমিং করি থোন্নিকা হায়
- দ্রগ বাতালিয়ন
- দ্রগ বাতালিয়ন লিংখৎকদৌরিদি করিগীনি হায়
- কৈদৌরুনি। ফারুনি অদুম থাদোরক্কনি। জেলদা থম্মসু অদুম থোরক্কনি
- অদুনা বাতালিয়ন ওইনা লিংখৎলগা থমদোইবা
- হোয়
- অদুদি দ্রগ বাতালিয়নদা লৈবা মখোয়দি করিদা শীজিন্নদোইবা
- দ্রগ লল্লোনবদা

Manipur Sangai Festival 2013
The Jewel of Incredible India
"Time Waits When Manipur Celebrates"
Closing Ceremony
Chief Guest of the Closing Ceremony
Shri O. Ibobi Singh
Hon'ble Chief Minister, Manipur
President of the Closing Ceremony
Shri Gaikhangam
Hon'ble Deputy Chief Minister, Manipur
30th Nov., 2013
3.30 pm
Closing Day, 30th Nov., 2013
- Formal Closing Function: at Hapta Kangjeibung (Boat).
- Khoyam Chatkoi by Ima Leishem Inaat Loishang, Imphal
- Grand Finale - Choreagraphic Presentation on the Theme " Manipuri Culture"
- Fireworks

Be a part of the largest tourism event of Manipur showcasing rich cultural heritage indigenous food, Handloom and Handicrafts, Eco-Adventure activities.
ALL ARE CORDIALLY INVITED
Department of Tourism
Government of Manipur
http://www.manipurtourism.gov.in
http://www.sangaifestival.gov.in
email: info@manipurtourism.gov.in

HUGGIES
WANT A HEALTHY BOTTOM LIKE MINE? KEEP IT DRY AND FRESH.
Quick Lock System
Quickly locks wetness away from baby's skin
Overnight Dryness
Superior absorbency that keeps baby's skin dry all night long
Air-Fresh Material
Allows air to circulate freely so that baby's skin stays fresh
FIRST-CLASS SKIN CARE
CLINICALLY PROVEN
HUGGIES DRY

Baby's skin is very soft and tender so it is important that it receives the right kind of care. Just keeping the bottom dry is not good enough. For a healthy bottom, the skin has to be dry and fresh. That's why you need Clinically Proven* Huggies* that offers First-Class Skin Care.